
ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




Vol. 49, Issue No. 280 | থাংজ, ৱাকচীংগী ২৯নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, January 17, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

### চহী ৩৬ শুরক্লবা জেনিমসতা কার্দিওথোরাসিক সর্জন লৈরমদ্রে, কুমজা ২০২০দগী ওপন হার্ট সর্জরি পাঙথোক্লমদ্রে

# কার্দিওথোরাসিক সর্জন লৈতে হায়দুনা ৱাকৎলুবদা থবক্তা ওন্থোরক্তবদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱাকৎলক্লে, কোর্টনা লৈঙাক্তা নোটিস ইস্যু তৌখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস) :** ঙসিদগীনা চহী ৩৬কী মমাঙ কুমজা ১৯৮৯দা জৱাহরলাল নেহরু হোস্পিটাল (জে এন ঐচ) হায়দুনা লিংখৎখ্রবসু হৌজিক্কা মণিপুর লৈঙাক্কা চলাইবা মেদিকেল ইন্সটিট্যুট অমগী থাক্তা ওনখৎলক্তুনা জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) হায়না খঙনরক্লিবা মীয়ামগী লায়েংশঙ অমসু ওইরিবা ইন্সটিট্যুট অসিগী হোস্পিটালদা কার্দিওথোরাসিক সর্জন অমত্তা লৈরমদবগা লোয়ননা ওপন হার্ট সর্জরিসু কুমজা ২০২০দগী পাঙথোরক্ত্রি হায়বা য়াওনা অৱাৎ-অপা কয়া লৈরম্বা থেংনবদগী মরী লৈনবা ওথোরিটিদা ৱাকৎলবসু লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলক্তবদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱাকৎলক্লে।




কোর্টতা ৱাকৎলক্লিবা পিটিস্নরশিং অদুনা উরিপোক সোর্বোন থিঙেলদগী সোরাম টেকেন্দ্রজিৎ (৮১), অপোকপা লৈখিদ্রবা এস মনি অমসুং য়ুমজাওমানবী, ৯১-মৈতৈ লাঙ্গোলদগী সামোম ধ্রুব (৪৬), অপোকপা এস গুনোনি। পিটিস্নর অনীমক সোশল এক্টিভিষ্টশিং ওইবদা নত্তনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# জন্যুৱারী ২০দা পাঙথোক্কদবা বি জে পিগী নেশনল প্রসিদেন্টগী মীখলগীদমক বিরেন অমসুং শর্দা দেল্লীদা চৎখ্রে

### মশক-মমিং তাকথোক্লিংদবা বি জে পিগী সিনিয়র লিদর অমনদি মথং থা ফেব্রুৱারীদা মণিপুরদা অনৌবা লৈঙাক অমা লৈহল্লবা য়াই হায়না ফোঙদোরক্লি : এজেন্সী

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস) :** হৌজিক বি জে পিগী এক্টিং নেশনল প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরক্লিবা নিটিন নবিনবু থা অসিগী ২০দা পাঙথোক্কদবা পার্টি অসিগী নেশনল প্রসিদেন্টগী মীখলদা শরুক য়াহন্দুনা খল্লে হায়দুনা লাউথোক্ল বগীদমক পার্টিগী মায়কৈদগী লৌখৎলকপা থৌরাংশিংগী মনুং চন্না ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা বিরেন অমসুং বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দা দেল্লীগীদমক ইন্দিগো ফ্লাইট অমদা ইম্ফাল থাদোকখ্রে।



অমরোমদা, মণিপুরদা বি জে পিনা লুচিংবা অনৌবা লৈঙাক অমা অমুক হন্না লৈহল্লকপগী মতাংদদি পার্টি অসিগী মশক-মমিং তাকথোক্লিংদবা সিনিয়র লিদর অমনা মথং থাগী ১২দা লোইরগদবা প্রসিদেন্টস রুলগী মতম অসিগী মাঙওইননা মণিপুরদা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট অমা লৈহল্লক্লবা মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎলি হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

পার্টিগী সিনিয়র লিদর অসিনা পাউগী এজেন্সী অমদা ফোঙদোরক্লে হায়দুনা তৌরকপা রিপোর্টকী মনুংদা চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা বিরেনসু নৌহৌননা লৈহল্লক্কদৌরিবা লৈঙাক অদুবু লুচিংবা চীফ মিনিষ্টরগী ফমগীদমক অকনবা মওংদা হোৎনবা লেপত্রি। অদুগা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### শক্লাইরবী অইবী মেমচৌবীদা অকাসদীপ এৱার্দ পীরগনি



**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী শক্লাইরবী অইবী অরাম্বম ওংবী মেমচৌবীদা লেমজনীংঙাই ওইরবা অমর উজলাগী অকাশদীপ এৱার্দ পীরগনি হায়না ঙরাং লাউথোকখ্রে। এৱার্দ অসি হিন্দি লোলগী অইবী মমতা কল্যাদসু পীগনি হায়রি।

এৱার্দ অসিদা লুপা লাখ ৫/৫গী শেলগী মনা, সাইটেশন অমা অমসুং গঙ্গাগী স্কল্পচর অমা য়াওগদৌরি। মনাশিং অসি অথুবা মতমদা পাঙথোক্লগদবা শবদ সম্মান সিরেমোনি (২০২৫) গী থৌরমদা লান্থোক্কনি হায়রি।

# মণিপুরদা লান্মীনা হেলিকোপ্টর শীজিন্নদুনা ‘ওপরেশন সনরাইজ-২’ চথুবা হৌরব্রা

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা মে ৩, ২০২৩দগী কাঙলূপ মশেলগী তমথীরবা লান থোরক্ত্রিঙৈগী মমাঙদগী হৌনা ষ্টেট অসিগী মফম অয়াম্বদা আর্মদ ফোর্সেস স্পেশল পৱর্স এক্ট, ১৯৫৮ চৎনহন্দুনা আউট-লো অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেশনগী মথক্তা অকনবা কাউন্টর ইন্সর্জেন্সি ওপরেশন্স (সী আই-ওপস) গী থবকশিং চথুরকপগী মখা তারকপগা লোয়ননা সস্পেন্সন ওফ ওপরেশন্সগী য়ান্ন-চে খুৎয়েক পীনবা য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) অমসুং কুকি নেশনল ওর্গনাইজেশন (কে এন ও) না কোনশিন্দবা কুকি-জোগী মিলিটেন্ট গ্রুপশিংনসু এক্টিভিটি কয়া চথুরকপনা ষ্টেট অসিদা ‘ওপরেশন সনরাইজ-২’ চথুরব্রা হায়বগী ৱাহং হংনরক্লে।



ৱাহং অসি ঙসি অয়ুক পুং ৯ লোম তারকপদগী হৌরদুনা নুমিৎয়ুংবা ফাওবদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী হেংলেপ অমসুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী নোংপোক কৈথেলমানবী পুলিস ষ্টেশননা কোনবা ৱাইনেম খুলদা হেলিকোপ্টর শীজিন্নদুনা পেরা কম্মান্দো পর্সনেলনি চিংনবা স্পেশল ফোর্সকী পর্সনেলশিং হোল্লক্লগা থাদরকখিবা অমসুং মখোয়না অসাম রাইফলসকী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

### মায়োলগী ‘অনৌবা লাংওনগী ভোটকী কেম্প্যেন’ হৌদোকখ্রে

# শেল পীবদা ভোট পীবগী মহুত্তা অফবা কেন্দিদেট খন্দুনা তুংগী মীরোল কন্নবা হোৎনমিন্নসি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস) :** মণিপুর য়ুথ লিগ (মায়োল) না মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু) গা খুৎশম্নদুনা ঙসি মহৈকোল অসিগী ওদিটোরিয়মদা ‘পোলিটিক্স : অনৌবা লাংওনগী ভোট’ (পোলিটিক্স : ভোট ফোর নেশনল রি-জেনরেশন) গী পান্দমদা চথুগদবা কেম্প্যেন হৌদোকখ্রে।



কেম্প্যেন অসি হৌদোকপগী থৌরমদা মহৈকোল অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ এন্থ্রোপোলোজিগী রিটাইয়র্দ হেদ প্রোফেসর দল্লিয়ু নবকুমার, মায়োলগী প্রসিদেন্ট অসেম প্রিন্সনা প্রেসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি।

কেম্প্যেন অসি হৌদোক্লদুনা অসেম প্রিন্সনা হায়, মীখলগী মতমদা শেল পীবা কেন্দিদেট অদুদা মীয়াম্না ভোট পীবগী মহুত্তা অফবা কেন্দিদেট খন্দুনা তুংগী মীরোল কন্নবা হোৎনমিন্নসি ...মখা লমায় ৬ কলম ১

### য়ু জি মরি ফারে, লুপা লাখ অমা রিকোভর তৌরে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস):** পুলিস কন্ট্রোল রুমদগী ঙসি নুমিদাং পুং ১১.৩৯ তারকপদা ফংবা চেরোল অমগী মতুংইন্না ঙসি পুলিসনা কারাং মনীং লৈকায়দগী মালেম হৈস্নাম এলিয়জ ঙাইবা কৌবা প্রিপাককী কাদর অমা থাঙ্গ চীংঙাং প্লেগ্রাউন্দ এরিয়াদগী ফারে হায়রি।

অদুগা পুলিসনা ঙসি ফোইজিং তেরা মখোঙদগী ৱাইরোকপম অতু এলিয়জ বোইতোন (২২) কৌবা প্রিপাক-প্রোগী কাদর অমসু মহাক্কী লৈকায়দগী মোবাইল ফোন অমগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

লোয়ননা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা তেরা লৌক্রাকপম লৈকায়দগী চবুংবম থাইবেম্মা এলিয়জ মেধা (৪৯) কৌবী আর পি এফ/পি এল এগী কাদর অমা লুপা লাখ অমা, মোবাইল হেন্দসেট অমা অমসুং আধার কার্দ অমগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা ঙরাংসু পুলিসনা লাইঙৌবী অৱাং লৈকায়দগী হৌজিক্কা ৱাঙু অহল্লুপ অৱাং লৈকায়দা লৈরবা কে সী পি -তাইবংঙানবগী থাংজম তোম্বা এলিয়জ বিকাস (৩১) কৌবা কাদর অমসু মহাক্কী লৈকায়দগী ফারে হায়রি।

### কোন্সম বিনকুনা ত্রেজরিজ এন্দ একাউন্টসকী ইন-চার্জ দিরেক্টর ওইরগনি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ পর্সনেল এন্দ এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্মস (পর্সনেল দিভিজন) গী জোইন্ট সেক্রেটরিনা ঙরাং থোকপা ওর্দর অমগী মতুংইন্না জোইন্ট দিরেক্টর (ত্রেজরিজ এন্দ একাউন্টস অমদি স্মোল সেভিংস) কী দিরেক্টর ইন চার্জ ওইরকখিবা কোন্সম বিনকু (এম এফ এস) না মহাক্কী গ্রেদ পেদা ইন-চার্জ দিরেক্টর (ত্রেজরিজ এন্দ একাউন্টস) ওইরগনি হায়রি।

অদুগা ফম অসি পুরকখিবা নোংথোম্বম সুদিপনা জোইন্ট ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

### নৈলিট ইম্ফালনা জন্যুৱারী ২০দা জোব ফ্যের পাঙথোক্কদৌরি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস) :** ইম্ফাল ইষ্টকী অকাম্পাৎতা লৈবা নেশনল ইন্সটিট্যুট ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেশন টেক্নোলোজি (নৈলিট), ইম্ফালনা মণিপুরগী থবক ফংদ্রিবা লাইরিক লাইশু হৈরবা নহাশিংদা থবক্কী খুদোংচাবা পীননবগী পান্দমদা ইন্সটিট্যুট অসিগী অকাম্পাৎতা লৈবা কেম্পসতা থা অসিগী ২০দা নোংমগী ওইবা জোব ফ্যের পাঙথোক্কদৌরি।

জোব ফ্যের অসিদা রেজিষ্টর তৌরবা ফার্ম/ইন্দষ্ট্রিজ/কম্পনিজ (আই টি), বিজিনেস ইষ্টাব্লিশমেন্ট, ইন্দষ্ট্রিজ, মোটোর দিল্লরস, এদ্যুকেশনেল ইন্সটিট্যুশনশিং, হোস্পিটাল/ক্লিনিক, বেঙ্ক, ইন্সুরেন্স ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

# ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরম্বা পুৱারীগা শাগোন্নরিবা পোৎলমশিং মাঙহন্দনা থম্নবা ঐখোয়গী মীরোলনা হোৎনরমগদবনি : বিমোলা

জ্ঞানন্দ নাওরেম

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস) :** ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরম্বা মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নরিবা পোৎলমশিং মাঙহন্দনা থম্নবা ঐখোয়গী মীরোলনা হোৎনরম্বা তঙাইফদে। ঐহাক্না খঙজরিবা খরসিদা কনাগুম্বশিংনা খঙবীনীংবা লৈরবসু ঐহাক্কীঅখঙবা খুদিংমকপু অমত্তা খাক্তনা অমসুং মমল লৌদনা তাকথোকচনবা মতম পূম্বদা শেম শাদুনা লৈ হায়না মণিপুরগী শাফি-লানফী লোনবদা নেশনল হেন্দক্রাফ্টস এৱার্দ-২০২৩ পীরকখ্রবী অহোংশাংবম বিমোলানা ফোঙদোরক্লি।



নেশনল এৱার্দি অহোংশাংবম বিমোলা

গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইলসনা তোঙান তোঙানবা খুৎশা হৈবগী লম্দা অখন্ননা পীবা নেশনল হেন্দক্রাফ্টস এৱার্দ ...মখা লমায় ৬ কলম ১

# ইন্টর দিসিপ্লিনরি এদ্যুকেশনদা অহোংবা পুরক্নবগী মতাংদা খন্ন-নৈনরগনি : প্রোফেসর দল্লিয়ু চান্দবাবু




**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস) :** গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ ষ্টেটেটিক্সকী প্রোগ্রাম ইমপ্লিমেন্টেশন অমসুং অনুসনধন নেশনল রিসর্চ ফাওন্দেশনগী মীৎয়েং মখাদা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ মেথমেটিক্সনা শিন্দুনা নুমিৎ হুম্নি চথুগদবা ৬শুবা নেশনল কনফরেন্স ওন রিসেন্ট এদভান্সেস ইন মেথমেটিকেল সাইন্সেস এন্দ ন্যু ত্রেন্দস ইন ষ্টেটিটিক্সকী কনফরেন্স ঙসি দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী সেন্ট্রেল হোলদা ...মখা লমায় ৬ কলম ৪

### দি এম য়ুগী প্রি-পি ঐচ দি প্রোগ্রাম

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস):** ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিনা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট ১৮দা চৎলিবা কুমজা ২০২৬কী প্রি-পি ঐচ দি প্রোগ্রামদা প্রোভিজনেল এদমিশন তৌনবগী এপ্লিকেশনশিং কৌরি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

### নুপী ১গী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবগী মরালদা মীওই ২ ফাদোক পীখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস) :** ঙসিদগীনা চহী ৪ রোমগী মমাঙ সেপ্টেম্বর ১,২০২১গী নুংথিল পুং ১ রোম তারকপদা নুপী অমবু ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখি হায়দুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ৱিমেন পুলিস ষ্টেশনদা ফাইল তৌরকখিবা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অমগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

### মরী লৈনদে : কে সী পি-এম এফ এল

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ :** কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সী পি) গী সেক্রেটরি ইন-চার্জ (ইনফোর্মেশন এন্দ পব্লিসিটি) এস মঙালগী চেরোল অমদা কোরৌঙানবা, থোইথোইবা অমসুং থৌঙম্বা কে সী পি-এম এফ এলগা মরী লৈনদে হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

# লাঞ্জেল্লক্তুনা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরবসু ইচাগা তোঙান-তোঙান লৈবদগী ৱাখল লায়নানা লৈখিদ্রবা ইচাগী অরোইবা মীৎকুপ উবা ফংখিদে

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী**
**হকথেংনবা পাউদম**
**চুড়াচান্দপুরগী তুইবোং ফোরেষ্ট গেটতুগী খুঞ্জা**

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী মথোং-মরম খঙদবা কুকি-জোগী লমহেন-তুহেনবশিংনা মণিপুরদগী মখোয়গী লেজিসলেচরগী পৱার য়াওবা য়ুনিয়ন টেরিটরি অমা লৌগনি হায়দুনা অতম্লনা মীতৈদা ওনশিন্দুনা চথুরক্লিবা তমথীরবা লান অসিগী ৱারোইশিন হৌজিক চহী ৩ ফাজিল্লক্কদৌরবা ফাওবদা মণিপুর অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্না ৱারোইশিন পুরক্তবদগী লৈঙাক্না আই দি পিশিংবু মমিংতগী ওইনা মচিৎ-মচিৎ মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিলহনবা হৌরক্লবসু আই দি পি লিশীং ৫০ রোমদি হৌজিকসু অদুমক রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবনা পাউচে অসিনা আই দি পিশিংগা হকথেংননা উন্নদুনা মখোয়গী পূক্নিংগী ৱাফমশিং মীয়ামদা পাউদম্বগী মখা তারকপদা চুড়াচান্দপুরগী তুইবোং ফোরেষ্ট গেটতা লৈরম্বদগী লান অসিনা মরম ওইরদুনা মশাগী ময়ূম-মকৈ মৈনা তুম্না থাদোকপীখিবদগী থৱায় হিংনবগীদমক লাঞ্জেল্লক্তুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওল্দ মিনি সেক্রেটরিএটতা হাংবা রিলিফ কেম্পতা হৌজিক ফাওবা চঙজফম লৌরক্লিবী অঙোম ওংবী সরোজিনি, মপুরোইবা লৈখিদ্রবা এ কুল্লজিৎকা হকথেংননা উন্নরুবদা মহাক্না হায়, ইচানুপা অনীখক পোকচবনি অদুবু লান অসিনা মরম ওইদুনা ৱাখল লায়না নারকপদগী ইচানুপা অমা লৈখিদ্রে। লাঞ্জেল্লক্লবসু ইমুং-মনুংগী ইচা-ইশুশিংগা পূন্না মফম অমদা লৈমিন্নবা ফংদ্রে। ঐহাক্না বিষ্ণুপুরগী রিলিফ কেম্প অসিদা লৈরে অদুগা লৈখিদ্রবা ইচানুপাগী মীওইশিংনা ক্লাক্তাগী...(মথং-মথং)



# কম্বাইন্দ সিক্যুরিটি ফোর্সনা মফম অনীদা থারম্বা পোপি পাম্বীশিং য়াম্থৎতুনা মাঙহনখ্রে, লৌশঙশিং মৈ থাদোকখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচএনএস) :** পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী পর্সনেলশিং অমসুং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী এগজিক্যুটিভ মেজিষ্ট্রেট অমা য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী বেহিয়াং পুলিস ষ্টেশনগী জ্যুরিসদিক্সন মনুং চল্লিবা শ্বাংকোং হিল রেঞ্জগী একর ১০ রোম পাকপা মফমদা থারম্বা পোপি পাম্বীশিং য়াম্থৎতুনা মাঙহনখ্রে হায়রি।



মফম অসিদা পোপি পাম্বীশিং য়াম্থৎপদা নত্তনা মসিবু থাবদা শীজিন্ননবা থল্লম্বা থুম, য়ুরিয়া অমসুং স্প্রেয়রনচিংবসু মাঙহনখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, ঙরাংসু কম্বাইন্দ সিক্যুরিটি টিম্না ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী পর্সনেলশিংগা খুৎশম্নদুনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী সাইকুল পুলিস ষ্টেশননা কোল্লিবা এস খোনোম্ফাই ভিলেজ অমসুং দেংলেন ভিলেজগী চীংমাইদা একর ৫৫ রোম পাকপা মফমদা থারম্বা পোপি পাম্বীশিং য়াম্থৎতুনা মাঙহনখি।

কম্বাইন্দ টিম্না পোপি পাম্বীশিং য়াম্থৎপদা নত্তনা মসিগীদমক শারম্বা লৌশঙ মরি, ফর্টিলাইজরগী বেগশিং, স্প্রে পম্প, পাইপ ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫